# ইরান্না মিসাইল প্রোগ্রাম হেন্না চাউথোকহল্লগনি হায়খ্রে

## ঐখোয়গী মিশাইল মশিং লোৎপা ঙম্বদগী হেন্না লৈ: ইরান জেনরেল

দুবাই/টেহরা, জন্যুৱারী ০২ঃ যুনাইটেদ ষ্টেটসনা অনৌবা অথিংবা কয়া থল্লগনি হায়না অকিবা পোক্লবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রবসু ইরান্না মখোয়গী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম হেন্না পাকথোক-চাউথোকহন্নবা অচেৎপা ৱারেপ লৌখ্রে। ন্যুক্লিয়র দীল অমগী মখাদা ইরানগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবা ময়ামদু লৌথোক্লবগী খোঙথাং খরা থাংবা হৌরক্লিঙৈ মরকসিদা অহেনবা অথিংবা কয়ামুক থম্লবা প্রসিদেন্ট ওবামানা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদুবু ইরানগী ওফিসলশিংনা শিংনখিবনি।

যুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইজরেলবু শৌগৎলিমখৈ ঐখোয়না ঐখোয়গী মিশাইল প্রোগ্রাম হেন্না মতীক ময়াই কলহনগনি হায়না ফার্ম ন্যুজ এজেন্সিগী পাউদা রিভোলুস্নরি গার্দসকী সেকেন্দ-ইন-কম্মান্দ বৃগেদিয়র জেনরেল হোশৈইন সলামিনা হায়খ্রে।

দিফেন্স মিনিষ্টর হোশাইন দেহকান্না হায়খি, মদুদি ইরান্না মশাগী মিশাইল প্রোগ্রাম হেন্না চাউথোকহনগনি অমসুং মদুদা অপনবা পীরকপা অমত্তা ঐখোয়না যাবা ঙল্লোই।

অমেরিকানশিংগা ঐখোয়গা ৱারী শান্নবা মতমদা ঐখোয়গী মিশাইল কেপেবিলিটিজনা ৱাফম অমা ওইনা খন্নবা লৈতে খন্নবসু শুংতৌ তৌরোই হায়না মহাক্না ইরানিয়ান ষ্টেট চেন্নেল প্রেস টিভিদা ফোঙদোকখি।

ইরানগী অসিগুম্বা মঙকনবা কন্মেন টশিং অসি যু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাগী এদমিনিষ্ট্রেসনদদি শিংনবা অমা ওইরি। পনবা যাবদি হৌখিবা জুলাই থাদা সাইন তৌনখিবা এগ্রীমেন্ট অমগী মখাদা যুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং যুরোপিয়ন যুনিয়ন্না ইরানগী মথক্তা থল্লিবা ইন্টরনেস্নেল সেঙ্কসন অপুম্বা লৌথোক্লবা থৌরাং তৌরিঙৈ মরক্তা অনৌবা মুক্লবসি লাকপনি।

নাকল অনীগী মরক্তা পুরকখিবা এগ্রীমেন্ট অদুদা ন্যুক্লিয়র দীলগী মরু ওইবা টার্মস ওইনা ইরান্না মালেমগী পৱারশিংনা এটোমিক খুৎলাই শাবদা চঙবা মচাক-মথুমশিং থাদোক্নদবনি অমসুং ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামদা থম্না অতেঅথিংবা খরা ইনগদবনি হায়বদু য়াখ্রগনি।

ৱার্ল্ডপৱারশিংগা য়ানখ্রবা মতুং হৌখিবা ওক্টোবর থাদা টেহরান্না মিশাইল অমসু কাপ্পুনা চংয়েং তৌখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মিশাইল অদু ন্যুক্লিয়র পেলোদ পুবা ঙম্না মরম্না হৌজিক হৌজিকচৎনরিবা কুমজা ২০১০ গী যু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসন খোঙ্গাওনৈ হায়রি।

ইরান্নদি মিশাইলদা হাপ্পনবা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই লৈত্রিমখৈদি যু এন রিজোল্যুসন্না মখোয়গী মিশাইল চাংয়েংদা অথিংবা অমত্তা পীদে হায়খ্রে।

ন্যুক্লিয়র দীলগী মখাদা ইরানগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং লৌথোকপগী মতম নকশিল্লকপসি য়েংলুরগা টেহরান অমসুং ৱাশিংটন অনীগী অনৌবা মুক্লবা অদু নাকল অনীগী দিপ্লোমেটিক অমসুং পোলিটিকেলগী চাংয়েং অমা ওইরি।

অনৌবা চহীগী অঙনবা শরুক্তা যুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং যুরোপিয়ন যুনিয়ন্না দোল্লর বিলিয়ন কয়াগী ইরানিয়ন এসেটশিং থাদোক্লবা অমসুং ইরানিয়ন ফার্মশিংবু ইন্টরনেস্নেল ফাইনান্সল সিষ্টেমগী কান্নবা লৌহন্নবা থৌরাং তৌরগনি অমসুং ইরান্না থাউ থাদোকপদা অথিংবা থম্লকপদু লৌথোক্লগনি হায়না য়ানরম্বনি।

জুলাই থাদা পুরকখিবা য়ানবা অদু হৌখিবা চহী ৪০ রোম য়েংথিনদুনা লাকপা লৈবাক অনীগী লুচিংবশিং ওইরিবা প্রসিদেন্ট ওবামা অমসুং ইরানগী প্রসিদেন্ট হশল রৌহানি অনীমক্কী ওইনদি অরুবা দিপ্লোমেসিগী মায় পাকপা অমা ওইখিবনি। লুচিংবা অনীমক ময়ুম লৈবাকশিংগী হকচিনবা ৱাখল চেনবশিংনা থোইদোক হেন্দোকপা মখোয়-মখোয়গী লৈবাকশিংনা লুনা লৌনবা ইস্যুশিংদা কমপ্রোমাইজ তৌদে হায়বদু উৎকদবনি হায়না প্রেসর পীদুনা লৈরিবনি।

যু এসকী ওফিসলশিংনদি ইরানগী মিশাইল প্রোগ্রামদুগা মরী লৈননা মীশকশিং অমসুং বিজিনেসশিংগী মথক্তা অনৌবা অথিংবা কয়া থমদুনা মিশাইল চাংয়েং অদুদা রেসপোন্দ তৌবা য়াবগী পৱার মখোয়দা লৈ হায়খ্রে।

যু এস কোংগ্রেসকী হাউস অনীমক কন্ত্রোল তৌরিবা রিপব্লিকান লো মেকরশিংনা ইরানগী মথক্তা অনৌবা অথিংবশিং থম্ননবা খন্নরক্লিবদু ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসন্না লৌরিবা ৱারেপতুগী চাংয়েংনি হায়না লৌরি।

ৱাল ষ্ট্রীট জর্নেলগী পাউ অমনা চৎলিবা চয়োল অসিদা ইরানগী মথক্তা অনৌবা অথিংবশিংদু থম্ননবা থৌরাং তৌরম্লগা মরম পীদবিদা মতম কক্তনা থেংথখিবনি।

চৈরকসিদা ইরানগী রিভোল্যুস্নরি গার্দশিংগী মিশাইল অদুক্কী মতীক য়াম্না লৈ মদুদি মখোয়দু কদায়ৱায়দা লোত্তুনা থমগদগে হায়বদু খঙদ্রে হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা টেহরানগী মথক্তা অচৌবা অথিংবা কয়া থম্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা সিনিয়র ইরানিয়ান কম্মান্দর অমনা লাউথোকখ্রে।

ঐখোয়গী মিশাইল ময়ামদু থম্ননবা ঐখোয়দা মফম মরাং কায়না লৈতে হায়না রিপব্লিকান গার্দসকী দিপ্যুটি ওইরিবা জেনরেল হোসৈইন সলামিনা হায়খি। গার্দসকী সেকেন্দ-ইন-কম্মান দগী ৱাফম অসি ইরানগী বেলিষ্টিক মিশাইল প্রোগ্রামগী ৱাহৌ হেন্না লুশিল্লক্লিঙৈ মরক্তদনি।

ঐখোয়গী লৈজরিবা শাংল-শাংলবা শুরুং চা কয়া মিশাইলনা পুংথন থন্না লৈ। মিশাইলশিং অসি ঐখোয়গী নিংখা-তম্বা ঙাক্লনবা মতম অমদা হেক্তা পাইহন্নবা শেম-শাদুনা লৈ হায়না ইরাই নুমীৎকী লাই খুরুম্বা মনুংদা জেনরেল সলামিনা ফোঙদোকখি।



# সিয়াইট ক্লারিক য়াওনা মীওই ৪৭ শিবগী চৈরাক পীখ্রে



রিয়াদ, জান্যুৱারী ০২ ঃ

ঙসি সাউদি অরাবিয়ানা টেরোরিজমগী মরালদা কনভিক্ত তৌরবা প্রিজনর ৪৭ হাৎখ্রে। ঙসি হাৎখ্রিবা প্রিজনরশিংদুগী মনুংদা কুমজা ২০১১ দা নিংথৌনা লৈঙাকপা লৈবাক অদুদা হৌখিবা আরব স্প্রিংগী ইরাংদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা লাইনিংবা ক্লেরিক অমা য়াওই হায়রি।

লৈবাক অদুগী নোংপোকথংবা অমসুং বহেরান্দা হেন্না মশিং নম্না তাবা সাউদি আরাবিয়াগী সিয়াইট মাইনোরিটিগী লুচিংবা শৈইখ নিমর অল-নিমর হাৎপা অদুনা কাঙলুপ অসিগী মরক্তা হেন্না ঈরাং লাকহল্লকপা য়াই হায়রি।

সাউদি অরাবিয়াগী সিয়াইট মেজোরিটিনা কুমজা ২০১১ দগী অহেনবা রাইটশিং পীনবা দিমান্দ তৌদুনা ঈরাং হৌদুনা লাকপনি। সাউদি অরাবিয়াগী ষ্টেটনা চলাইবা সাউদি প্রোস এজেন্সিনা লাউথোকখিবা মীওই ৪৭ কী লিষ্ট অদুদা ক্লারিক্তুগী মমিং য়াওরকখি। পাউ অদুদা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পনখি। সাউদি ষ্টেট টেলিভিজন্নসু মীহাৎশিং অদু রিপোর্ট তৌখ্রে।

রিয়াদতা লৈবা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল মতুং ইন্না, হাৎখিবশিং অদুগী মনুংদা ৪৫ দি সাউদি সিটিজনশিংনি, অমনা চাদতগীনি অমসুং অতোপ্পা অমনা ইজিপ্টতগীনি। আপিল অমত্তা য়াখিদ্রবা মতুংদা সাউদি রোয়েল কোর্ট অমনা মীহাৎনবগী ওর্দরদু থবক্তা ওন্থোক্লবা হায়খি। মীহাৎশিং অদু ঙসি থাংজ নুমীৎতা কেপিটেল রিয়াদ অমসুং অতৈ সীটি অমসুং টাউন ১২ দা পাঙথোকখিবনি।

কুমজা ২০১১ দা সিয়াইটশিংনা লুচিংদুনা চথখিবা অকনবা ঈরাংশিংবু শাথিবা মওংদা নমথখিবা সুনিনা পানবা নিংথৌ লৈবাক বাহরেনদা ক্লোরিক অল-নিমরনা লৈঙাক অদুগী মায়োক্তা তত্তনা খোল্লাউ লাউখিবনি। সাউদি অরাবিয়ানা ঈরাংদু শন্দোরকপসু য়াই হায়না কিবদগী মদুবু নমথনবা বহরেন্দা ক্রুপশিং থাদুনা মতেং পাংখি।

মশাগী চহী য়াঙ্খ্রে হেল্লবা ক্লারিক অদুবু হাৎননবা ওর্দর থোক্লিবদু সাউদি ওথোরিটিশিংনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা ঈরাং হৌরক্লিবা পুম্নমকপু নমথনবা হোৎনবনি হায়না এম্নেষ্টি ইন্টরনেস্নেলনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাকপু ফাদ্রিঙৈ মমাঙ কুমজা ২০১২ দা অল-নিমরনা ফোঙদোকখিবা অমদা মীহাৎপা লৈঙাকপশিং অমসুং য়ানিংদবগী খোল্লাউ লাউজবা প্রোটেষ্টরশিং নমথবা লৈঙাকপশিং মীয়াম্না পামদে হায়খিবনি। মহাক্কী ট্রাইএল মনুংদুদা মঙোন্দা লৈঙাক্লিবা অল-সাউদকী ইমুংবু মহাক্না য়াদব্রা হায়না হংখি। মদুগী পাউখুম ওইনা মহাক্না নোংপোকথংবা শরুক্তা লৈরিবা সিয়াইটশিংগী মথক্তা অরানবা কয়া চথবা লেপ্পা তারবদি তোঙানবা ওপিনিয়ন অমা পীবা য়াই হায়খি। ক্লারিক অসিনা অদুম্না পাউখুম পীখি হায়বসি কোর্টকী সেসন্স অদুদা শরুক য়াদুনা ৱায়েলগী ওর্দর লাউথোক্লিঙৈগী মমাঙদা ব্রাবিদা ৱা ঙাঙখিবা মহাক্কী মচিন-মনাও ওইবা মোহম্মদনা ফোঙদোকখিবনি।

অল-নিমরনা মহাক্কী মথক্তা শীরিবা পোলিটিকেল মরানশিংদু য়াজখি তৌইগুম্বসু মহাক্না কৈদৌনুংদা খুৎশু-খুৎলাই পুরগা চৎখিবা নৎত্রগা ঈরাং হৌনবা মীয়ামদা ইন্নশিনখিবা লৈতে হায়খি।

# চাইনাগী মিলিটরি মোর্দনাইজেসনদা অনৌবা আর্মি য়ুনিট ৩ হাপচিনখ্রে



বৈজিং, জান্যুৱারী ০২ ঃ

চাইনানা মখোয়গী মিলিটরিবু মতমগা চুননবা নৌনা অহোংবা কয়া পুরকপগী শরুক অমা ওইনা অনৌবা মিলিটরি বোদি অহুম অমগসু হাপচিনখ্রে। খোঙথাং অদুনা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ষ্টেন্দিং ফোর্স ওইরিবা চাইনিজ মিলিটরিগী লাল শোক্লবা ঙম্বগী পাঙ্গল হেন্না কনখৎহনগনি হায়রি।

ষ্টেট টেলিভিজন্না ঙসি উৎখিবা অমদা প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা অনৌবা য়ুনিট অহুম হায়বদি পিপল লিবরেসন আর্মিগী জেনরেল কম্মান্দ অমা, মিশাইল ফোর্স অমা অমসুং ষ্ট্রেটেজিক সপোর্ট ফোর্স অমদা মিলিটরিগী ফিরালশিং য়েন্থোকপগী শক্তম মীয়াম্না উবা ফংখি।

হৌখিবা শগোলশেল নুমীৎতা পাঙথোকখিবা অনৌবা মিলিটরি য়ুনিটশিংদা মিলিটর ফিরালশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট সি জিনপিং অমসুং পি এল এগী ওফিসরশিং অমসুং লান্মীশিংনা লৈবাক্কী ঈশৈ শকখি।

মিলিটরিবু নৌনা শেমদোক্তুনা মতমগা চুনহন্নবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা অমসুং মিলিটরিবু মপাঙ্গল কনখৎহনবা হায়বা চাইনিজশিংগী মং অদু মংফা ওহন্নবগীদমক্তা অনৌবা য়ুনিট অহুমদু হাপচিল্লকপনি।

চাইনিজশিংগী লৈবাক্না নৌনা অমুক শাফোংলকপা অমসুং মদুদা য়াম্না মপাঙ্গল লৈবা মিলিটরি ফোর্স লৈহনবা হায়বা চাইনিজ মং অদু প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা মংফাওননবা থবক পায়খৎলে হায়রি।

যুল্লোন্নরিবা লৈবাক কয়াদা টেন্সন হেনগৎহনবা মওংদা ইষ্ট চাইনা সী অমসুং সাউথ চাইনা সীগী মফম কয়া হেন্না কন্না ক্লেম তৌবগা লোয়ননা চাইনানা মিলিটরিবু নৌনা শেমদোকপগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

চাইনানা কৈদৌনুংদা লৈবাক চাউথোক্লবা নৎত্রগা শন্দোক্লবা হোৎনদুনা কনামত্তদা অকিবা পোকহনবা লৈতে হায়বদু উৎননবা হোৎনবদা লৈবাক অদুগী য়াল্লবা মিলিয়ন ২.৩ গী আর্মি অদু ক্রুপ মশিং ৩০০,০০০ ককথরগনি হায়না প্রসিদেন্ট সীনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদা লাউথোকখিবনি। ক্রুপ মশিং ৩০০,০০০ ককথরবসু মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা মিলিটরি ফোর্স ওইনা অদুম লৈগদৌরিবনি।

মীনা লান্দাগে হোৎনরকপদা খৌতক চাহনগদবা (ষ্ট্রেটিজিক দিটরেন্স) য়াম্না মরু ওইবা ফোর্স অমনি হায়না প্রসিদেন্ট সীনা শিংথারিবা পি এল এগী রোকেট ফোর্সনা সেকেন্দ আর্টিলরি ফোর্সকী মহুৎ শীন্দুনা চাইনাগী ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিং অমসুং ন্যুক্লিয়র খুৎলাই য়াওদবা কনভেনস্নেল মিশাইলশিংবু কন্ত্রোল তৌরগনি। অনৌবা ষ্ট্রেটেজিক সপোর্ট ফোর্সনা সাইবর ৱারফেয়রদা হেন্না মীৎয়েং থমগনি হায়রি।

চাইনিজ মিলিটরিবু নৌনা শেমদোকপগী অতৈ থৌরাংশিংগী মনুংদা অমনবা খুৎলাইশিং তাঙ্কক নাইনা লৌথোকখিবা অমসুং অনৌবা খুৎলাই সিষ্টেমশিং পুথোকপা য়াওরি।

অনৌবা থৌরাং অদুনা পার্টিগী লীদরশিংদা অহেনবা পৱার পীদুনা আর্মিবু হেন্না কন্ত্রোল তৌবা ঙমহল্লগনি। হান্নদি হেদক্বার্টস মরিনা আর্মিবু য়েংশিল্লম্বনি অদুবু হৌজিক্তি প্রসিদেন্ট সী জিনপিং মশামক্না চেয়রমেন ওইবা সেন্ট্রল মিলিটরি কম্মিসন্না আর্মিগী জেনরেল কম্মান্দবু হকথেংননা কন্ত্রোল তৌরে।

পনবা য়াই, প্রসিদেন্ট সীগী লমজিং মখাদা চথখিবা এন্টি-করপসন কেম্পেন অমদা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী ওফিসর অনী ৱানোম শেল লৌবগী মরাল শীখিবনি। তোপ রেঙ্কিং মিলিটরি ওফিসর অনীমক সেন্ট্রেল মিলিটরি কম্মিসনগী ভাইস চেয়রমেন ঙাক্তনি।

চাইনানা অনীশুবা এয়রক্রাফট কেরিয়র অমগা শাদুনা লৈবাক অসিগী নেভিগী পৱার হেনগৎহন্নবা হোৎনরকপগা ঈরোয়ননা মিলিটরিবু নৌনা শেমদোকপগী ৱাফমসি লাউথোরকপনি। লৈবাক অসিগী অহানবা এয়রক্রাফট কেরিয়র লিয়াওনিং সোভিয়েটনা শাবা চহী ২৫ হেল্লবা ভেসেলনি।

নেস্নেলিষ্টিক এদিটোরিয়েলদগীদমক্তা মমিং চৎলবা গ্লোবেল টাইমস পাউচেনা চাইনাগী অপান্না অনৌবা কন্দিসনশিংদা আর্মিবু মপাঙ্গল কনখৎহনবা চঙই হায়বগা লোয়ননা মদুগী মরম অমদি যুনাইটেদ ষ্টেটসনি হায়না পল্লি। মিলিটরি পাঙ্গলদা য়েংনবা মতমদা যু এস অমসুং চাইনাগী মরক্তা অচৌবা গেপ অমা লৈবা তারবদি মদুনা লৈবাক অসিগী ইন্টরনেস্নেল পোজিসন অমসুং অতৈ লৈবাকশিংনা চাইনাদা য়েংলিবা মীৎয়েংদা শোকহনগনি হায়না ঙসি ৱেবসাইটতা থাদোরকপা এদিটোরিএল অমদা হায়রি।

# টালিবানগী জেলদগী লানফা ৫৯ অফঘান ফোর্সনা থাদোকখ্রে

কাবুল, জান্যুৱারী ০২ ঃ গভর্ণমেন্ট ক্রুপশিংনা অফঘানিষ্টানগী অকনবা ঈরাং লৈবা খা থংবা হেলমন্দ প্রোভিন্সকী মফম কয়া খুদুম চনখিবা লালহৌবশিংবু তকখাইনবা হান্নদগী হেন্না কন্না হোৎনরকপগা ঈরোয়ননা প্রোভিন্স অদুদা লৈবা টালিবানগী জেল অমদগী অফঘান স্পেসল ফোর্সশিংনা প্রিজনর ৫৯ থাদোকখ্রে।



হৌখিবা চয়োল খরসিদা অফঘানিষ্টানগী কেপিটেল কাবুলদা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংনা এটেক কয়া পরিং নাইনা চথখি। পন্দুনা লৈরুরবা পীছ প্রোসেস অমা নৌনা অমুক হিঙ্গৎননবা হোৎনবা কয়াগী মরক্তা সাউথকী দিষ্ট্রিক্ট কয়ামরুমদা গভর্ণমেন্ট ক্রুপশিং অমসুং মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা অকনবা খুৎ থোক্লরি।

অফঘান দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পেসল দাওলাট ৱাজিরিনা হায়খি, মদুদি হেলমন্দ প্রোভিন্সকী কেপিটেল লাস্কর গাহগা হেক তাইননা লৈবা জেল অদুদগী থাদোকখিবা মীফাশিং অদুগী মনুংদগী ৩৭ তি লান্মী ঙাক্তনি। অতৈ তরেৎনা পুলিসকী মীওইশিংনি অদুগা লেমহৌরিবা অতৈদুনা মীচম ঙাক্তনি।

থা কয়ামুক হেলমন্দদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট সেন্টর কয়া টালিবান্না গভর্ণমেন্ট ক্রুপশিংগা লান্থেংনবদা লৌশিনখ্রবা মতুংদা প্রিজনরশিংবু জেলদগী থাদোক্লবা হোৎনরপনি।

কানি পান্দী মরাং কায়না থাবা অমসুং লালহৌবশিংনা মহৌশাদগী মকোন শাদুনা লাকপা হেলমন্দ প্রোভিন্সপু টালিবানগী মখুত্তা তাখিবা য়াই হায়বা ৱাফম ৱাজিরিনা য়াখিদে।

তৌইগুম্বসু মহাক্না চহী অদুমক্কী মমাঙদা মীরৈবাক্কী গ্রুপশিংনা চঙশিনবা লাঞ্জং অয়াম্বা লোইশিনখ্রবা মতুংদা মমিং অমসুং মপাঙ্গল নৌহৌননা হেনগৎলকখিবা লালহৌবা গ্রুপ অদুগী মায়োক্তা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা অকনবা লাঞ্জং অমা চঙশিল্লি হায়খি।

অফঘানিষ্টানদা হৌজিক লাল অমা শোক্লরি হায়বসি ঐখোয়না য়াগদবনি হায়না মহাক্না কাবুলদা পাউমীশিংদা হায়খি।

হৌখিবা ইরাই নুমীৎতা টালিবানগী সুইসাইদ বোম্বর অমনা কাবুলদা লৈবা মীরৈপাক মচাশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা চীক্ল-চাইনদনা তাবা ফ্রেঞ্চ রেষ্টোরেন্ট অমদা এটেক তৌদুনা মীওই ২ হাৎখি অমসুং ১৮ বুনা শোকহনখি।

সুইসাইদ এটেক অদুদা মীরৈবাক মচা মশিং য়াম্না শিরে অশোকপসু য়াম্না য়াওরে হায়না ক্লেম তৌখি।

হৌখিবা থাদা কাবুলদা লৈবা স্পেনিস এম্বেসিগী গেষ্ট হাউস অমদা অহিং চুপ্পা চথখিবা এটেক অদুগা লোয়ননা হন্দক চথরক্লিবা এটেক অদুনা টালিবান্না কেপিটেলদা লৈবা অচৌবা মরু ওইবা টার্গেটশিং খন্দোক্লবা লালোং অমা য়াৎলি হায়বসি উৎলে। লালহৌবা গ্রুপ অসিনা হায় প্রোফাইল টার্গেটশিং খন্দোকপগা লোয়ননা হেলমন্দগুম্বা প্রোভিন্সশিংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট সেন্টরশিংনা খুদুম চনশিন্নবগী কেম্পেনসু কনখৎলক্লি হায়রি।

হৌখিবা জুলাই থাদা কাইখিবা শান্তিগী ৱারী শান্নবদু নৌহৌননা হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনবদা অফঘান ওফিসলশিংদা য়াম্না লুনা থোকই হায়বসি এটেকশিং অদুনা উৎলি। টালিবান লালহৌবশিংনা করম্বা মওংদা ৱারী শান্নবা য়াগদগে হায়বদু খন্ননবা লাক্লিবা জান্যুৱারী ১১ দা ইস্লামাবাদতা অফঘানিষ্টান, পাকিষ্টান, যুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং চাইনাগী ওফিসলশিংনা উনগনি। অমরোমদা, লালহৌবা গ্রুপ অসিনদি অফঘানিষ্টান্দা মীরৈবাক্কী ক্রুপশিং লৈরিবমখৈ মখোয় নৌনা ৱারী শান্নবা পামদে হায়রি।

# এফ বি আইনা ন্যু ইয়রগী টেরর প্লোটশিং অরেম্বা তাহনখ্রে

ন্যু য়োর্ক, জান্যুৱারী ০২ ঃ কুমজা ২০০১ দা ন্যু য়োর্ককী ৱার্ল্ড ট্রেদ সেন্টরদা চথখিবা শাথিরবা এটেক অদুগী মতুংদা সীটি অসিগী অৱাং থংবা শরুক্তা টেরোরিষ্টশিংনা পায়খৎলম্বা অমাঙ-অতা মীপাই-থবাইবা থোকহন্নবগী থৌরাংশিংগী মনুংদা অনৌবা চহী লাকপগী রেষ্টোরেন্ট অমদা থক-চাদুনা হরাউ-তয়াম্বা ফোঙদোকচবা ন্যু য়োর্ক মচাশিংবু টার্গেট তৌরম্বা য়াওরি।

ন্যু য়োর্ককী রোচেষ্টরদগী নহা অমা হৌজিক ন্যু ইয়রগী মাঙওইননা অহিংদা থক-চাদুনা অমসুং লাংদুনা হরাউ-তয়াম্বা ফোঙদোকচবা মীওইশিংবু হাৎননবা হোৎনরম্বগী মরাল মায়োক্লরি। মদু ৯/১১ গী মতুংদা ন্যু য়োর্ক সীটিদা টেররিষ্টশিংনা চথবনি হায়বা য়াবা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা অমনি হায়না এফ বি আইগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি।

মশাগী চহী ২৫ শুরবা ইমান্যুএল লুটমন কৌবা নহা অদু ইস্লামিক ষ্টেটতা মপোৎ-মচাক কয়া পীরম্বা মীশক্লি হায়না চিংনবা য়াবা মীওইনি। হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা মহাক্না ন্যু ইয়রগী মাঙওইননা অহিংগী কুম্মৈ মতমদা রেষ্টোরেন্ট নৎত্রগা বার অমদা থক-চাদুনা লাউ-খোংদুনা লৈবা মীশিংবু এটেক তৌনবা, ফাননবা অমসুং হাৎননবা শেম শারকপগী শরুক অমা ওইনা ৱালমার্টতগী পোৎ-চৈ কয়া লৈখি হায়রি। ওফিসলশিংনা করম্বা তাংদাংবা টার্গেটনো হায়বদুদি ফোঙদোকখিদে।

এফ বি আইগী স্পেসল এজেন্ট টিমোথি ক্লাপেক্না পীবা এফিদবিটকী ৱারোল অমগী মতুং ইন্না, লুটচমন কৌবা মীওই অদুনা আই এসতা ৱাশক্তুনা থাজবা পীরবা মতুংদা সিরিয়াদা চৎনবা হোৎনখি। অদুবু আই এসকা নক্লবা মীশক অমনা মঙোন্দা প্রুভ তৌজনবা যুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা নন-মুস্লিমশিংদা এটেক তৌনবা হায়খি।

ন্যু ইয়রগী কুম্মৈ য়াম্না থুনা য়ৌরক্লগনি থবক খরা পায়খৎলু অমসুং কুফার খরা হাৎলু হায়না লুটচমনগী কন্টেক্ট অদুনা মঙোন্দা হায়খি হায়রি।

মহাক্না অহানবদা মফমদুদা বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক তৌনবা থৌরাং তৌখি তৌইগুম্বসু থাঙগী এটেক ওইনা চথনবা লেপখিবনি। মহাক্না ৱালমার্টতগী লৈখিবা পোৎলমশিং অদুদা থাঙ খরা, স্কি মাস্কশিং জিপ তাই খরা অমসুং দক্ত তেপ য়াওই হায়রি।

পোৎলমশিং অদুবু লৈমিন্নখিবা এফ বি আইনা শেল পীদুনা থম্বা অরোনবা পাউ পীবা মীওই অমগী মতেংগা লোয়ননা লুটচমনবু ফাখিবনি। মহাক্না ইনফোর্মেন্ট অদুদা মঙোন্দা শীন্নবা পুম্নমক মহাক য়াজরে অমসুং ইমুং-মনুং অপুম্বা থাদোক্ননবা মহাক শেম শারে হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

এটেক অদু পাঙথোক্লবা মতুংদা আই এসতা চৎননবা লুটচমন্না উৎননবা থৌরাং তৌখিবা ভিদিও অমসুং এফ বি আইনা ফাগৎখ্রে।

এফিদেবিট অদুগী মতুং ইন্না লুটচমন অসি কুমজা ২০০৮ দা থোকখিবা হুরান-চিন্থিগী থৌদোক অমগা মরী লৈননা মমাঙদা চহী মঙা জেলদা লৈরুরবা অমসুং হৌজীক্তি অমুক হন্না জেলদা লৈনিংদ্রবা মীশক্লি। মহাক্না মহাক অসি ইস্লামদা লাইনিং লৌরবা মীশক অমনি হায়না ফোঙদোকচৈ।

অমেরিকাগী মুস্লিম চাদা অনীদমক অতৈদগী লাইনিং অসিদা লাইমিং লৌরকপনি তৌইগুম্বসু টেররিজমগী মরালগা মরী লৈননা ফারব মীওইশিংগী চাদা ৪০ দি অমেরিকাদা চথরকপা আই এস আই এসকী এক্তিবিটিশিংগা মরী লৈনৈ হায়না জোজ ৱাশিংটন যুনিভর্সিটিনা এক্সট্রিমিজমগী মতাংদা পাঙথোকপা ষ্টদি অমনা হায়রি।

# রোকেট এটেক্কী পাউখুমদা গজাদা এয়রষ্ট্রাইক চথখ্রে

গজা সীটি, জান্যুৱারী ০২ ঃ

হমাসকী মায়কৈদগী খা থংবা ইজরেলগী শরুক্তা রোকেট কয়া কাপশিনখ্রবা মতুংদা ঙসি অঙনবদা ইজরেলি এয়রফোর্সনা গজা ষ্টিপতা লৈবা হমাসকী মফমশিংদা এটেক কয়া চথখ্রে।

ইজরেলনা চথরকখিবা এয়র-ষ্ট্রাইকশিং অদুনা অৱাংথংবা শরুক্তা লৈবা বৈট হলিবিলদগীনা খা থংবা শরুক্তা লৈবা রাফাহ ফাওবদা লৈরিবা অহাংবা ফেমিলিটিশিং টার্গেট তৌখি। এটেকশিং অদুদা অকাই-অতোই কয়া থোকখি তৌইগুম্বসু মীশি-মীনাদি থোকখিদে হায়রি।

এটেকশিং অদুগী মতাংদা ইজরেলি আর্মিনা হায়খি, মদুদি এয়রফোর্সনা গজা ষ্ট্রিপতা লৈবা হমাসকী মিলিটরি ট্রেনিং ফেমিলিটি অনী অমসুং মিলিটরি সাইট অনী টার্গেট তৌখি।

গজা ষ্ট্রিপতগী চথরকপা এটেক পুম্নমক্কী রেস্পোন্দসিবিলিটি হমাসনা পুগদবনি হায়না ইজরেলি দিফেন্স ফোর্সগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ঙরাং গজাদগী রোকেট অনী কাপ্লকপদা ইজরেলগী খা থংবা শরুক্তা হিট তৌখি। কুমজা ২০১৪ গী কালেনগী মতমদা ইজরেলি অমসুং গজাগী মিলিটেন্টশিংগী অকনবা লান লোইশিনখিঙৈদগী হমাসনা কন্ট্রোল তৌবা পেলেষ্টিনিয়ন লমদগী রোকেট ৩০ রোম জিবিশ ষ্টেটতা কাপশিল্লকখি।

হৌখিবা থা খরসিদা পেলেষ্টিনিয়নগী মফমশিংদগী রোকেট ময়াম কাপ্লকখিবদু মখোয়গী খুৎনি হায়না ইস্লামিক ষ্টেটকী জিহাদিশিংগা শম্নবা সুনি মিলিটেন্ট কাঙবুশিংনা ক্লেম তৌখিবনি।

অদুম ওইনমক ইজরেলনদি অদুগুম্বা রোকেট এটেকশিং অদু গজাদা পাল্লিবা ইস্লামিষ্ট কুংবু হমাসকী খুৎনি হায়না মরাল শীরি।

হৌখিবা ইরাই নুমীৎতা থোকখিবা অতোপ্পা থৌদোক অমদনা পেলেষ্টিনিয়ন অনী ইজরেলি ফোর্সশিংনা নোংমৈনা কাপ্পবদা শিখ্রে। ইজরেলি আর্মিনা গজাদা লৈবা মেদিকশিংগী ৱারোল মতুং ইন্না নোর্দন গজাদা পেলেষ্টিনিয়নশিংনা বোর্দর শম্বলদা থোমজিল্লকপদগী ক্রুপশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অনী অদু শিখিবনি হায়খি।

ইজরেলনা গজা ষ্ট্রিপতা এয়রষ্ট্রাইক চথদ্রিঙৈ ঙাইহাক্কী মমাঙদা মিলিটরিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, মদুদি গজা ষ্ট্রীপতগী রোকেট কয়া ইজরেলদা কাপশিল্লক্লে। ইজরেল্লি ফোর্সশিংনা মফম কয়াদা ওপরেশন চথরি।

# অফগনিষ্টানদা য়ুহার হাখ্রে

কাবুল (অফগনিষ্টান), ঃ অফগনিষ্টানগী অৱাং থংবা শরুক্তা রিক্টর স্কেলদা ৫.৩ য়ৌনা ময়াই ওইরপ কন্না য়ুহার হাখ্রে। য়ুহার হাবদুনা কেপিতেল সিটি কাবুল অমসুং ঙমখৈ পরিং ওইবা পাকিষ্টানগী লমগী শরুকশিং নিকহনখি হায়রি। য়ুহার হাবদুগা মরী লৈননা খুদক্কী ওইবা অকাই-অতোই অমসুং মীশি-মীনা থোকপগী পাউদি লৈত্রি।

যু এসকী জিওলোজিকেল সর্ভেনা পীবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না ঙসিগী (থাংজ নুমিৎকী) য়ুহার হাবা অদুগী ইপিসেন্টরদি অফগনিষ্টানগী মী লন্না তাবা হিন্দু কুশ লমদমগী শরুক্তা লৈবা জারমদগী খা নোংপোকলোমদা কিলোমিটর ৩৫ (মাইল ২২) লাপ্পা চৎলগা লৈবা মফম অমদনি হায়রি।





